**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 01-04-2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মণিপুর পুলিসনা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাদগী গেং খুপু অমগী মীওই অমা খুৎশু খুলায় কয়ামরোমগা কোন্ননা ফারে।

২) মেট বিভাগনা হায়রি- মণিপুর য়াওনা অৱাং নোংপোক রাজ্যশিংগী মফম কয়াদা ময়াই ওইরপতগী কন্না নোং চুখিগনি।

অমসুং

৩) নেসনেল টেষ্টিং এজেন্সিনা কম্মন য়ুনিভর্সিতি এন্ত্রান্স টেষ্ট (কেট) অন্দর গ্রেজ্যেট পরিক্ষা থাবগী ওনলাইন ফোর্ম সবমিসন পীশিনবগী মতম এপ্রিল ৫ ফাওবা শাংদোক্লে।

**------**

পুলিস (এল)ঃ মণিপুর পুলিসনা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাদগী মীওই অমা ফারে। মহাক সলাইলেন মপারি (কংলৈপাক) দিফেন্স ফোর্সকী গেং খুৎপু অমনি হায়রি। লুপ অসি হুরান চিনথি তৌবা, নমদুনা শেল খায়বা অমদি সমাজগী মায়োক্তা থবক তৌবশিংনি হায়রি। ফারবা মীওই অদুদগী মেগজিন য়াওবা পোইন্ট থ্রি টু পিষ্টোল অমা, মেগজিন য়াওবা নাইন এম.এম পিষ্টোল অমা, নাইন এম.এমগী মরি, টেলিসকোপ য়াওবা এস.বি.বি.এল নোংমৈ অমা, চাইনিজ হেন্দগ্রেনেদ অমা, ৱায়ারলেস সেট মঙা, সলাইলেন মপারি (কে.দি.এফ)গী রাউন্দ সিল্ড অমা ফিরাল অমা, কেমোফ্লেক্স তুপি, জেকেট, বুল্লেটপ্রুফ ভেস, কেমোফ্লেক ফুল সার্ট অমসুং ত্রাউজর, লুপ অসিগী লেটর হেদ

১৬, চাকা মরি পানবা গাড়ি অমা অমসুং মোটোর সাইকল অমা ফাগৎপা ঙমলে হায়রি। মখা তানা থিজিন্নবা কেস অমা লৌখৎলে।

ষ্ট্রোং রুম (এল)ঃ লাক্লিবা লোক সভা মীখল অসিগীদমক উখ্রুল অমসুং চিংঙাই বিধান সভা কেন্দ্রগী ই.ভি.এম কম্মিসন তৌবগী থবক লাক্লিবা ইরাই নুমিৎতগী হৌরগনি। কেন্দ্র অনি অসিগী ই.ভি.এম ৱায়ার হাউস অমসুং ষ্ট্রোংরুম কম্মিসন তৌনবগীদমক অয়ুক পুং ৭ মখায়দা হাংগনি। দি.ই.ও উখ্রুলনা থোকপা চেরোল অমগী মতুংইন্না মীরেপশিং অমসুং রাজনীতি দলশিংগী মীহুৎশিংনা লাক্লিবা য়ুমশকৈশা নুমিৎ ফাওবগী মনুংদা আইদেন্তি কার্দ শানবা পাসপোর্ট ফোতো অনি পীশিল্লকবা খঙহল্লক্লি।

ট্রেনিং (এল)ঃ মীখলদা মথৌ তৌগদবা পোল্লিং পার্সোনেলশিংগী অনিসুবা রাউন্দগী ট্রেনিং প্রোগ্রাম দি.সি. ওফিস কমপ্লেক্স চান্দেলদা লাক্লিবা য়ুমশকৈশা নুমিৎতগী পাঙথোক্লগনি হায়রি। জিলা অসিগী দি.ই.ওনা থোকপা চেরোল অমদা হায়- বেটচ মরি থোকা মথংগী নুমিৎ ফাওবা দি.সি ওফিসকী তোঙান তোঙানবা হোলশিংদা ট্রেনিং প্রোগ্রাম অসি পাঙথোক্কনি। মরম অদুনা মীখলদা মথো তৌগদবা পোল্লিং পার্সোনেলশিংনা ট্রেনিং অসি শোইদনা য়াওগদবনি। নত্রবদি মখোয়গী মথক্তা থবক লৌখৎকনি হায়রি।
নোং (এল)ঃ ইন্দিয়ান মেটিওরোলোজিকেল বিভাগনা হায়রি- লাক্লিবা শগোলশেন নুমিৎ ফাওবদা অৱাং নোংপোক ভারতকী মফম কয়াদা অখাক অরাউগা লোয়ননা নোং চুগনি। অরুনাচল প্রদেশকী মফম কয়াদা অকনবা নোং অমসুং উন তাগনি। মেট বিভাগনা অসাম, মেঘালয়, নাগালেন্দ, মণিপুর, মিজোরম, ত্রিপুরা অমসুং সিক্কিমগী মফম কয়াদা ময়াই ওইরপতগী কন্না পাক্তকনা নোং চুরবা য়াই হায়রি। জম্মু কাশ্মীর, লদাখ য়াওনা অৱাং ভারতকী মফম কয়াদসু নোং চুগনি হায়রি। লাক্লিবা নুমিৎ হুমি অসিদা ময়াই থংবা ভারত অমদি খা ভারতকী মফম কয়াদসু নোং চুগনি। অদুমওইনমক, ওরিষা, পুদুচেরি, তমিলনাদু, কেরলা, অন্ধ্র প্রদেশকী সমুদ্র খোঙবানশিংদা শাবগী চাং

হেনগৎলক্কনি হায়রি।

মণিপুরদসু হৌখিবা নুমিৎ নিনি খরনি অসিদা অখাক অরাওগা লোয়ননা নোং কন্না চুরে। মসিনা মহৈ মরোং অমদি মনা মশিংদা চাউনা কান্নবা পীরবগা লোয়ননা রাজ্য অসিদা হৌজিক থেংনরিবা ঈশিং ফংদবগী সমস্য অসিদা মীয়ামদা খরা মখৈদি শাফরগনি। কুমগী নোং অসিনা সেনাপতি জিলাগী মফম কয়াদসু লেন তাখি।

ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী লমফেলপাৎতা লৈবা এগ্রিকলচরগী ক্বাটরদা লৈবা চহি ১০ রোম শুরবা নুপা মচা অমা ঙরাং অয়ুক পুং ১১ অদুৱাইদা বজ্র তাবদগী লৈখিদ্রে হায়রি । থৌবাল জিলাগী খোংজোমগী শঙাইখোংদা লৈবা য়ুম অমা নোংলৈ নুংশিৎনা হুমদোকখিদুনা চাডনা অমাং অতা থোকখি।

ঐখোয়গী থৌবাল পাউমীনা হায়- থৌদোক থোকফমদা জিলা অদুগী দিপ্যুতি কম্মিসনারনা চত্তুনা য়েংশিনখি অমদি অৱাবা তারবা ইমুংদা শেংগী তেংবাং পীখি।

অমরোমদা, অসামদা নোং কন্না চুবদগী গুৱাহাতি এয়ারপোর্টকী য়ুমথক খরা নিংখায়রকখ্রে। মফম কয়াদা পাক্তকনা নোং চুরে হায়রি। নোংচুপ বেঙ্গলগী জলপাইগুরি জিলাদা নোংলৈ নুংশিৎনা মরম ওইদুনা ঙরাং মীওই ৪ শিখি, ১০ না অশোক অপন নংখি। জিলা অদুগী মফম কয়াদা লেন য়াওনা শিৎখিবা অকনবা নুংশিৎ অদুনা পান্বী কয়া মরু ফুকপগা লোয়ননা য়ুম কয়া অমাং অতা থোকহনখি।

নিট ঃ নেসনেল টেষ্টিং এজেন্সিনা কম্মন য়ুনিভর্সিতি এন্ট্রান্স টেষ্ট (কেট) অন্দর গ্রেজ্য়েট পরিক্ষা থাবগী ওনলাইন ফোর্ম সবমিসন পীশিনবগী মতম এপ্রিল ৫ ফাওবা শাংদোক্লে। হান্নদি ফোর্ম পিশিনবগী অরোইবা মতম ঙরাং লোইখ্রবনি। নেসনেল টেষ্টিং এজেন্সিগী পাউ মতুংইন্না কেন্দিদেটশিং অমসুং অতৈ ষ্টেক হোল্ডরশিংনা ফোর্ম পীশিনবগী মতম শাংদোকপীনবা হায়জরকপদগী ফোর্ম পীশিনবগী মতম শাংদোকখিবনি। পাউ অদুনা হায়- মীরেপশিংনা মখোয়গী শক্তাকচে উৎনবগীদমক স্কুলগী আইদেন্তিটি কার্দ নত্রগা ফোতো য়াওবা

সরকারনা পীবা শক্তাকচেশিং শিজিন্নবা য়াগনি। লৈবাক অসিদা লৈরিবা সেন্ট্রেল য়ুনিভর্সিতিশিংদা তোঙান তোঙানবা অন্দর গ্রেজ্য়েট প্রোগ্রামশিংদা মীং চন্নবগী নেসনেল টেষ্টিং এজেন্সিনা পরিক্ষা অসি পাঙথোকপনি। পরিক্ষা অসি মথং থাগী ১৫ দগী ৩১ ফাওবা পাঙথোক্লবা য়াই।

ত্রিপুরা ঃ লোক সভা মীখলগা মরী লৈননা ত্রিপুরাদা ষ্টেটিক সার্ভিলেন্স টিম অমসুং ফ্লায়িং স্কৱাদ টিমনা লুপা কোতি ৩ মখায় রোমগী মমল ওইংগদবা য়ু অমদি অতৈ পোৎলমশিং ফাগৎপা ঙমলে হায়রি।

অকাশবানিগা উন্নবা অমদা ত্রিপুরা ৱেষ্ট লোক সভাগী রিটর্নিং ওফিসার ডাঃ ভিসাল কুমারনা হায়- পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুন্সি অসিদগী লু পা লাখ ৩ লোমগী মমল ওইংগদবা য়ু ফাগৎপা ঙমখি। মহাকা হায়- ফাগৎলবা পোৎলমশিং অসি হৌখিবা নুমিৎ ১০ নি অসিদা থোকখিবা থৌদোক ঙাক্তনি। রাজ্য অসিদা মীখল নিয়ম চুমা অমসুং শান্তি লৈনা পাঙথোকবগীদমক ফ্লায়িং স্কৱাদ টি ৫০ অমসুং ষ্টেটিক সার্ভিলেন্স টিম ৫০ শেমদুনা থবক তৌরি।

অমরোমদা, লোক সভা মীখল অসিগা মরী লৈননা পোল্লিং ষ্টেসন ৭৯৩ হাংদোক্লদৌরিবা অসিদা নুপী ঙাক্তনা মথৌ তৌগদবা পোল্লিং ষ্টেসন ৫৮ য়াওরি। মসিগীদমক নুপী ৪০০-৫০০ তোঙান তোঙানবা ত্রেনিংশিং পীবা হৌরে।

অসাম ঃ অসামগী কছার জিলাদা পুলিসনা ধোলাই পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা বোগা বজারদা চথুখিবা অখন্নবা ওপরেসন অমদা মীওই অনিদগী হেরোইন ফাগৎপা ঙমলে। গ্রাম ৩৭৫ রোমগী পোৎলমশিং অদু মখোয় অনিনা সপোন কেপ ৩১ দা হাপ্তুনা পুরম্বনি হায়রি।

অমরোমদা, দিব্রুগর পুলিসনা আইনা কায়না য়ুঙাং য়োল্লম্বশিংগী মথক্তা চথুবা দ্রাইভকী শরুক অমা ওইনা জিলা অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা আইন কায়না য়োল্লম্বা য়ুঙাং কয়ামরুম ফাগৎপা ঙমলে। লখিমপুর পুলিসনসু য়ুঙাং লিটর ৯৫ অমসুং য়ুঙৌ লিটর লিশিং ৭,২০০ রোম ফাগৎপা ঙমখি।

এনআইএ ঃ শ্রী সদানন্দ বসন্ত দাতে, নেসনেল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সিগী দাইরেক্তর জেনেরেল ওইনা ঙরাংদগী থবক তৌবা হৌখ্রে। ১৯৯০ বেটচকী মহারাষ্ট্র কাদরগী আই.পি.এস ওফিসার অসিনা হান্নগী দাইরেক্তর দিনকর গুপ্তগী মহুৎ শিল্লে। শ্রী বসন্ত দাতে হান্না মহারাষ্ট্রগী এন্তি তেরোরিজম স্কৱাদকী মকোক ওইরম্মী। মহাক সি.বি.আইগী দিপ্যুতি দাইরেক্তর ওইরম্বতা নত্তনা সি.আর.পি.এফকী ইন্সপেক্তর জেনেরেলসু ওইরম্মী।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনদা সুগী কাংলোন থুগাইবা কে.এল.এগী কাদর অমা খুৎশু খুৎলায়গা কোন্ননা ফারে হায়বা পাউ অমা অহানবা লমায়দা ফোংলি।

সনালৈবাক্তা- কুকি এম.এল.এশিং, সুগী লুচিংবশিং, এন.পি.এফ মারেপ্তা শৌগৎনবা ৱারেপখ্রে হায়না অহানবা লমায়দা ফোংলি।

পোকফমদা- লাক্লিবা মীখলসিদা বি.জে.পি মায়থিবা পীহৌদ্রগদি মণিপুর য়ামা লুবা তাঞ্জা অমদা লাক্কনি হায়বা কংগ্রেস লুচিংবা ওক্রম ইবোবীগী ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌরি।

হুইয়েন লানপাউদা- ম্যান্মার মচানি চিংনবা মীওই ৯ পল্লেলদগী ফারে হায়না অহানবা লমায়দা ফোংলি।

ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতা- এফ.সি.আই. দিপোটতগী নফসাগী চেং নমদুনা লৌখ্রে হায়না থাংগৎলকখিবা কেফ এন্দ পি.দিগী দি.এস.ওগী কমেপ্লেন্ট রিপোর্ট অহানবা লমায়দা ফোংলি।

ঈচেল এক্সপ্রেসতা- নোংলৈ নংশিৎনা য়ুম কয়া হুমদোকখ্রে, চাউনা অমাং অতা থোকহনখ্রে, বজ্র তাবদা চহি ১০ গী অঙাং অমা লৈখিদ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

নহারোলগী থৌদাংদা মীখলগা মরী লৈনবা রেল্লিশিংদা শরুক য়াদনবা

মীয়ামগা ৱারেপ লৌরে হায়বা ময়োলগী ৱাফম অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

মণিপুর নিউজদা- পুলিস মরী মখোঙ খঙদবা লুপা লাখ ২১ ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টকী ওফিসিয়েল অমদগী ফাগৎখ্রে হায়না অহানবা লমায়দা ফোংলি।

মণিপুর মেলদা- ম্যান্মারগা লোন্নবা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী লুপা কোতি ১৩৪ রোমগী কাংলোং কায়না পুশিল্লকপা মাল চাংশিং ফাগৎখ্রে হায়না অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনদা- ম্যান্মারদা তংদু লৈতাদবা থোকপা হেনগৎলক্লি, মসিনা মণিপুরদা রিফ্যুজিশিং লেপ্তুনা চংশিল্লক্লি হায়বা পাউ অমা অহানবা লমায়দা ফোংলি।

পিপলস ক্রোনিকলগী এনকর কলমদা সেল্ফ হেল্প গ্রুপশিংনা রিলিফ কেম্পশিংদা নুপীশিংবু শেন্থোক লৈননবগী পান্দমদা ত্রেনিং কয়ামরুম অমা পীরি হায়না ফোংলি।

গানফিউ মেলদা- তৌসেম সব দিভিজনগী নমতিরাম পার্ট টুদা লৈবা বরাক থোং ওফিসিয়েল ওইনা শঙ্গাদ্রিঙৈদা অমাং অতা থোকখ্রে, অথুবদা শেমজিন্নবা খুঞ্জাশিংনা দিমান্দ তৌরি হায়না ফোংলি।

তমেংলোং টাইমসতা- লোক সভা মীখলগী অহানবা অমসুং অনিসুবা ফেজগী ভোৎ থাদনবা নুমিৎ অমদি ভোৎ মশিং থিবা নুমিৎপু ষ্টেট লৈঙাকা দ্রাই ডেজনি হায়না লাউথোকখ্রে হায়না ফোংলি।

মোর্নিং বেলদা- লাঞ্জেন্নরিবশিংগীদি মীখলগী ৱাহন্থোক লৈতে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

------